# কালিফোর্নিয়াগী মদস্লাইদশিংদা শিখিবা মশিং ১৯ য়ৌরে, হৌজিকসু মীওই ৫ থিবা খঙদ্রি



লোস এঞ্জেলিস, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সি) :

কালিফোর্নিয়াগী নীংথীরবা সান্টা বারবারা কাউন্টিদা থোকখিবা শাথীরবা মদস্লাইদশিংদা শিখিবা মী মশিং থাংজ নুমিৎতা ১৯ য়ৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং মাঙখিবা মীওইশিংগী লিষ্টতা য়াওবা নুপা অমা হিংনা ফংলে হায়রি। হৌজিক ইমর্জেন্সি ক্রু ময়াম্না মীওই মঙা থিবগী থবক চথুরি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা মোর্গান ক্রিষ্টিন কোরিগী হকচাং অদু মোন্টেসিটোদা লৈখোম অমসুং অকায়-অতোই মরক্তা থেংনখি হায়না সান্টা বারবারা কাউন্টিগী সেরিফ বিল ব্রাউননা ফোঙদোকখি। চহী ১২ শুবদা ঙাইরিবী মহাক্কী মচন সোয়রদি মদুগী মমাঙদা শিনা ফংখি।

মাঙখিবশিংগী লিষ্টতা য়াওবা দিলবর্ট ৱেল্টজিন কৌবা মশাগী চহী ৬২ শুরবা অতোপ্পা মীওই অমদি হিংনা অমসুং অশোয়-অঙাম য়াওদনা থেংনখি হায়না অকুপ্পশিংদি পন্দনা ব্রাউননা হায়খি। ডিভলপমেন্ট অনীসিগা লোয়ননা মাঙখিবশিংগী মশিং ৭ তগী মঙাদা হন্থরকখি।

পুংজা খূদিং হৌখিবগা লোয়ননা ঐখোয়দা অহিংবা মী থেংনগনি হায়বগী থাজবসু নেম্লকখি, তৌইগুম্বসুং থাজবা পূম্বদি মাঙবা নত্তে হায়না সান্টা বারবারাগী সেরিফনা হায়খি। পেসিফিকতগী মতিক-ময়ায় কল্লবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমা শিৎলকখিবা অমসুং অঙম্বা চীংমায়শিংদা লৈখোম-লৈনাং মপৈ-মপৈ চেন্থহনখিবা মতুং নুমিৎ মঙানি লৈরগা মোন্টেসিটোদা রেস্ক্যু ৱার্করশিং অমসুং সর্চরশিংগী মশিং ২,০০০ দগী হেল্লকখি। লৈখোম লৈনাং মপৈশিংদুনা মখাগী কোষ্টেল এনক্লিভতুদা লৈবা য়ূম-কৈ কয়া ফুমজিনখি। হৌখিবা ডিসেম্বরদা অচৌবা লম্মৈ চাকপা অমা থোকখিবদগী উ-ৱা কোল্লবা চীংমায়দুদা নোং কন্না চুবদগী শাথীরবা মদস্লাইদশিংদু থোকখিবনি।

কালেনগা মান্নরবা নোং-চীংগী ফিভম মরক্তা রেস্ক্যুঅরশিংনা মী থিবা অমসুং কনবগী থবক কন্না চথুখি। ঐখোয় অরৈবা পান্বে খূদিংমক শীজিন্নদুনা থবক তৌবা তাই হায়না লোস এঞ্জেলিস ফায়র ডিপার্টমেন্টকী লীদর কেপ্টেন টোম হেঞ্জগেননা পাউমীশিংদা হায়খি।

অশাংবা ফোরকাষ্টশিংনা ক্রুশিং অদুদা চয়োল অমমুক লৈরগা মথংগী নোং কন্না চুবগী ফিভম লাক্কনি অমসুং অনৌবা মদস্লাইদশিং থোক্লক্কনি হায়না প্রীদিক্ট তৌখি।

ক্রুশিংনা লৈখোম লৈনাং অমসুং অতেক-অকায়শিং লৌথোকপগা লোয়ননা ঈশিং পৱার, গ্যেস সপ্লাই অমসুং সেনিটেসনগী ফিভম হান্নগী মওংদা হঞ্জিনহনখি। য়ূমথংনবা সম্মরলেন্দ অমসুং কারপিন্টরিয়াগা মরী লৈননা য়াম্লবা ৱার্নিংশিং অমসুং ওর্দরশিং লৌথোকখ্রে। ব্রাউননা ৱার্নিং পীখিবা এরিয়াশিংগী মীওইশিং খুদক্তা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা অপীল তৌখি।

# সাউথ অফ্রিকাদা কাঙলূপ নাইবগী মওং উৎপা এদভর্টিজমেন্ট অমনা ঈরাং থোকহনখ্রে





জোহান্নসবর্গ, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সি) :

কাঙলূপ নাইবগী মতৌ উৎপা ঐচ এন্দ এমগী এদভর্টিজমেন্টনা খোইরাং খোইশাওহল্লবা প্রোটেষ্টরশিংনা ঙরাং স্বেদিশ ফেসন গ্রুপকী সাউথ অফ্রিকাদা লৈবা ষ্টোরশিংদা এটেক তৌখ্রে।

ইকনোমিক ফ্রীদম ফাইটর্স (ঈ এফ এফ) কী প্রোটেষ্টরশিংনা সাউথ অফ্রিকাগী ইকনোমিক হব জোহান্নসবর্গ লৈরিবা গাউটেং প্রোভিন্সকী ঐচ এন্দ এম ষ্টোরশিং টার্গেট তৌখি। মখোয়না দুকানগী ডিসপ্লেশিং শেগায়খি অমসুং ফিরোলশিং লংখাইখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অমদা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা ওফিসরশিংনা রবর বুলেটশিং কাপখি।

চয়োল অসিগী অঙনবদা ঐচ এন্দ এমনা পাক-শন্না ক্রিটিসাইজ তৌনখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুগীদমক্তা ঙাকপীনবগী ৱারোল অমা থোকখি। এদভর্টিজমেন্ট অদুদা অমুবা অঙাং অমনা 'জঙ্গলদা লৈবা খ্বাইদগী ইংবা য়োং' হায়বা স্লোগনগা লোয়ননা স্বেটসর্ট অমা মোদেলিং তৌখি। ঐচ এন্দ এমনা পোৎথোক অদু মখোয়গী মার্কেটিং খূদিংমক্তগী লৌথোক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং অলট্রা-লেফট ঈ এফ এফকী স্পোক্সমেন মবুয়িমেনি নদলোজিনা খোঙথাং অদু মতিক চামন্দে অমসুং থেংমল্লি হায়খি।

কাঙলূপ নাইবা মরী লৈনবা অপোলোজিশিংগী মতম লোইরে, এন্টি-ব্লেক রেসিজমগী মতুং তাবা ফত্তবা মহয়শিং লৈগনি হায়না নদলোজিনা ত্বিটরদা ইখি। মহাক্না প্রোটেষ্টরশিংনা অমাঙ-অতা থোকহল্লবা ঐচ এন্দ এম ষ্টোরগী পিকচরশিং অমসুং ঈ এফ এফকী সপোর্টরশিংনা স্লোগনশিং লাউবগী ভিদিও ফুটেজ থাগৎখি।

কম্মেন্ট পীনবা হায়জবদা ঐচ এন্দ এমনা রেস্পোন্দ তৌখিদে। তৌইগুম্বসুং মসিগী লোকল ৱেবসাইটনা এদভর্টিজমেন্ট অদুগী অপোলোজি অমা ফোঙখি।

ঐখোয়গী ফিরেপতি ইচম চমই, খূদিংমক অরানবা মওং অমদা চৎখ্রে অমসুং ঐখোয় অদুক্কী মতিক শোয়খ্রে হায়না অপোলোজিগী ৱারোল অদুনা হায়খি। প্রোটেষ্টশিংদু মখোয়না মোনিটর তৌরি, তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবদি মীফা-মীপুন য়াওদ্রি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। সাউথ অফ্রিকাদা কোর্পোরেটকী অরানবশিংগা মরী লৈননা শাথীবা ঈরাং থোকপগী পুৱারী লৈ হায়রি।

# মিসাইল কাপ্লকপগী অরানবা এলার্মনা হৱাইয়ীগী মীয়াম্বু খম থেংনা মীপাইহনখ্রে



হোনোলুলু, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সি) :

ঙসি অয়ুক মিসাইল পাইরকপগী এলার্ম অমনা হৱাইয়ীগী মীয়াম্বু মীপাইবা পোকহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং তুংদা মদু অরানবা এলার্ম অমনি হায়না লাউথোকখি।

মোবাইল ফোন শীজিন্নবশিংনা ফংখিবা মেসেজ অমগী ৱারোলদা 'বলিষ্টিক মিসাইল অমা হৱাইয়ী তম্না কাপ্লক্লে, খুদক্তা মফম চানা লৈয়ু, মসি দ্রিল অমা নত্তে' হায়খি। ষ্টেট গভর্নর দেভিদ ইগেনা অরানবা এলার্ম অদুগীদমক্তা ঙাকপীনবা হায়জখি অমসুং মদু ইমপ্লোয়ী অমনা অরানবা বটন অমদা নম্লুবদগী থোক্লিবনি হায়খি।

য়ু এস গভর্নমেন্টনা মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুরগনি হায়না লাউথোকখি।

হৱাইয়ীগা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইলশিংগা নকশিন্নবনা মরম ওইদুনা এলার্ট সিষ্টেম অমা থম্লকখি।

হৌখিবা ডিসেম্বরদা য়ু এসকী ষ্টেট অদুগী ন্যুক্লিয়র ৱার্নিং সিষ্টেম চাংয়েং তৌখি। মদু কোল্ড ৱার মতুংদা অহানবনি হায়রি।

অরানবা ৱার্নিং মেসেজ অদু মীয়ামগী মোবাইল ডিভাইসশিংদা থাখি লোয়ননা টেলিভিজন অমসুং ভিডিও ষ্টেসনশিংদা ব্রোদকাষ্ট তৌখি।

কেপিটেল লেট্টরশিংদা ইবা ফোন মেসেজ নোটিফিকেসনদু লোকল মতমদা অয়ুক পুং ০৮.০৭ তাবদা লাকখি। মদু মিনিট ১৮ লৈরগা ঈমেলনা চুমথোকখি তৌইগুম্বসুং মিনিট ৩৮ ফাওবদি মখা তাবা মোবাইল টেক্স লাকখিদে হায়না হোনোলুলু ষ্টার এদভর্টাইজরগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

গভর্নর ইগেনা অরানবা এলার্ট অদু ষ্টেট অদুগী ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (ঈ এম এ) দা নোংমদা অহুম্লক সিফট হোংবা লৈবদগী থোক্লিবনি হায়খি।

মদু সিফট চেঞ্জদা চথুবা প্রসিজর অমনি। মখোয়না সিষ্টেম অদু শোয়দনা মথৌ তৌরি হায়বদু খঙনবা তৌবদা মহৌশাগুম বটন নম্বদা ইমপ্লোয়ী অমনা শোয়খি হায়বদি অরানবা বটনদা নমখি হায়না মহাক্না শন্দোক্লা হায়খি।

মদু অতম্মনা তৌখিবা অশোয়বা নত্তে হায়না ঈ এম এগী এদমিনিষ্ট্রেটর ভর্ন মিয়ানীনা ফোঙদোকখি। 'সিফট হোংবা হায়বসি মীওই অহুমগী থবকনি। মদু থোক্লম্লোইদবনি।' এলার্ট অদু ফংলবা মতুংদা ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না মীপাইবগী মেসেজশিং অমগা অমগা থানখি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংনা হৱাইয়ী য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা মিসাইল থ্রেট অদুগী মতুংদা সেল্টর থিনবগী থৌওং উৎখি।

# ইজরেলনা গজাদা এয়র ষ্ট্রাইক চথুখ্রে অশোক-অপনদি অমত্তা য়াওখিদ্রে

*জেরুসালেম, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সি) :*

*ইজরেলি এয়রক্রাফটনা থাংজ নুমিৎতা সাউদর্ন গজা ষ্ট্রিপতা টার্গেট অমদা চথুখিবা এটেকতা অশোক-অপন অমত্তা থোকখিদ্রে হায়না গজাদা লৈবা পলিষ্টিনিয়ন সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুগা লোয়ননা পলিষ্টিনিয়ন এনক্লিভ অমসুং জ্যুৱিশ ষ্টেটকী মরক্তা লৈরিবা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌফম ক্রোসিংসু থিংজিনখ্রে হায়না ইজরেলি আর্মিনা হায়রি।*

*ইজিপ্ট অমসুং গজা ষ্ট্রিপকী বোর্দরগা তাইনবা সাউদর্ন রাফাহ রিজনদা ইজরেলনা ফাইটর জেটশিং শীজিন্নদুনা টেরর ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমা টার্গেট তৌখি হায়না আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।*

*গজা ষ্ট্রিপতা অমসুং মসিদগী চথুরকপা এক্টিভিটি অপূম্বা হামাস টেরর ওর্গনাইজেসনগী খুৎনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। ইজরেলি ষ্ট্রাইক অদুদা অশোক-অপন অমত্তা থোকখিদে হায়না গজাদা পলিষ্টিনিয়ন ছোর্স অমনা হায়খি।*

*থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা ইজরেলগী ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, রাফাহগী মনাক নক্লা গজা অমসুং ইজরেলগী মরক্তা লৈরিবা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিনগী কেরেম সালোম ক্রোসিং নোংমাইজিং নুমিৎতগী মখা তাবা নোটিস অমা থোক্ত্রিফাওবা থিংজিল্লগনি।*

*সিক্যুরিটি এসেসমেন্ট খরগী মতুংদা তাঙনা লৌখৎপা খোঙথাংদু লাক্লিবনি হায়না ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সননা হায়খি।*

*য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা ডিসেম্বর ৬ তা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙনবা ৱারেপ লৌখিবদগী ইজরেল অমসুং গজাগী মরক্তা ক্রোস বোর্দর ঈরাং হেনগৎলকখি। সিটি অদুবু মখোয়গী তুংগী ষ্টেটকী কেপিটেল ওইনা উরিবা পলিষ্টিনিয়নশিংবু ট্রম্পকী খোঙথাং অদুনা শাওহনখিবনি।*

*ট্রম্পকী ৱারেপ অদুদগী গজাদগী প্রোজেক্টাইল দজন কয়া সাউদর্ন ইজরেলদা কাপশিনখিবা লৈখ্রে অমসুং ইজরেলি ফোর্সশিংনা পলিষ্টিনিয়ন ১৬ হাৎখ্রে। পলিষ্টিনিয়ন ১৪ না খূৎ থোক্লবদা শিখি অমসুং অনীনা গজাদা খূৎ হন্দুনা এয়র ষ্ট্রাইক চথুবদা শিখি।*

# ট্রান্সজেন্দর চেলসি মেন্নিং সিনেটকীদমক ডেমোক্রেটিক পার্টিগী নোমিনেসন তান্নরি

ৱাশিংটন, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সি) :

ক্লাসিফাইদ দেটা লীক ওইহনখিবগীদমক্তা চহী তরেৎ মিলিটরি প্রিজনদা থমখিবা য়ু এস আর্মিগী ট্রান্সজেন্দর লান্মী চেলসি মেন্নিং য়ু এস সিনেটকীদমক মেরিলেন্দদগী ডেমোক্রেটিক পার্টিগী নোমিনেসন তান্নরি হায়বসি থাংজ নুমিৎকী ফেদরেল ইলেক্সন ফাইলিংশিংনা উৎখ্রে। হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা মীনুংশি উৎখিবা মেন্নিং হৌখিবা মেদা কান্সাসতা লৈবা য়ু এসকী মিলিটরি প্রিজন অমদগী থাদোকখি। ৱিকিলিক্স ৱেবসাইটতা অরোনবা পাউ কয়া থাজিল্লম্বগীদমক্তা মহাকপু প্রিজন অদুদা থম্লকখি। মহাক্না তৌরম্লিবদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওবা মওংদা ক্লাসিফাইদ দেটা খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌনরি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
➢ COMPETITIVE EXAMS
(Bank PO, Civil Service etc.)
➢ BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3081/11-15Jan.

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Children Ideal High School)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for CLASS IX & X (BOSEM)
Class commencing on 8th January 2018
FOUNDATION COURSE for CLASS VI, VII & VIII (BOSEM)
Class commencing on 12th January 2018
HOSTEL & VAN SERVICE
Class timing :- 4:30 - 7:30 pm
7629855465
9615784302
HL-P/244/19Dec-19Jan.

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSSION OPEN
NEW ADVANCED
FOUNDATION COURSE CLASS X & XII
Classes Commencing from 11th Jan. 2018
6th Position Michael Atom HSLCE, 2017 (92.16%)
14th Position Siddhant Wangkhem HSLCE, 2017 (90.6%)
21st Position Seityajit Chongtham HSLCE, 2017 (89%)
Satyapriya RK HSLCE, 2017 (87.6%)
Kh. England HSLCE, 2017 (72.5%)
K. Geetabali HSLCE, 2017 (71.5%)
Goutamdas S HSE, 2017 (73.6%)
Ksh Basanta HSE, 2017 (72.9%)
N.C Jayshree HSE, 2017 (71.6%)
D. Tontang HSE, 2017 (71.2%)
Bijiya Th HSE, 2017 (70.2%)
Sajana A HSE, 2017 (70.6%)
Seats are limited, First Come First Served
Morning / Evening Batches, Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details Contact: CAS Office, (5.00AM - 7.30 PM) Main Building, Keishampat Junction, Imphal
HL-B/4321/31Dec-1Feb.-Alt)

# চয়োল অনী হেন্না মৈ চাক্লকখিবা ইরানগী ওইল টেঙ্কর ঈশিংদা লুপথখ্রে : চাইনিজ ষ্টেট মীদিয়া



বৈজিং, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সি) :

হৌখিবা জন্যুৱারি ৬ তা ইষ্ট চাইনা সীদা য়ু এসকী পোৎ-চৈ পুবা সিপ অমগা থেঙ্গাইনখিবা ইরানগী ওইল টেঙ্কর অদু চয়োল অমা হেন্না মৈ চাক্লক্লবা মতুংদা ঈশিংদা লুপখ্রে হায়না চাইনিজ ষ্টেট মীদিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। অকোয়বা ঈশিংদা য়াম্লবা থাউ মৈ চাক্লে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিং অদুনা মখা তাখি।

ফ্রাইটর সী এফ ক্রিষ্টেলগা থেঙ্গাইনখিবদগী মৈ চাক্লগা তাওরকখিবা ওইল টেঙ্কর অদু খঙহৌদনা জি এম টি ০৪০০ রোম তারকপদা পোকখায়রকখি হায়না চাইনা সেন্ট্রেল টেলিভিজন (সী সী টি ভি) না ফোঙদোকখি।

সাংহাই মরিটাইম সর্চ এন্দ রেস্ক্যু সেন্টর পল্লদুনা সী সী টি ভিনা হায়খি, হৌজিক টেঙ্কর অদু লুপথখ্রে। সী সী টি ভিগী ভিদিওনা মিটর ১০০০ ফাওবা ৱাংবা অমুবা মৈখু মপৈগী টাৱর অমা অমসুং ঈশিংগী ঈমায়দা মৈরিশিং শন্দোকপগী শক্তমশিং উৎখি। সিপ অদু লোকল মতমদা নুংথিল পুং মঙা তারমদাইদা ঈশিংদা লুপথখি হায়না ব্রোদকাষ্টর অদুনা ফোঙদোকখি।


চাইনাগী ষ্টেট ওসিনিক এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়খি মদুদি, সিপ অদুগী হলদু পোকখায়রকপদগী অকোয়বা ঈশিংদা চাইথোক্লিবা থাউ ময়ামদু মৈ চাকখি।

চাইনিজ সালভেজ টিম অমনা থাংজ নুমিৎতা টেঙ্কর অদুদগী অশিবা হকচাং অনী লৌখৎখি। সাঞ্চিকী হীরোইশিংগী মনুংদগী অমনি হায়না থাজনবা অতোপ্পা হকচাং অমসু নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফংখি অমসুং মশক খঙদোক্লবগীদমক সাংহাইদা পুখি। সাঞ্চিগী ক্রু অদুদা ইরানিয়ন ৩০ অমসুং বাংলাদেশি অনী য়াওখি।

টেঙ্কর অদুগী লেমহৌরিবা ক্রু মেম্বর অমসুং পেসেঞ্জর ২৯ দু শিরম্বা য়াই হায়না ইরানিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা ক্রুদুগী ইমুংশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেলশিং থাখ্রে অমসুং এক্সিদেন্টতুগী মতাংদা থিজিন্নবা হায়খ্রে হায়না ইরানিয়ন ষ্টেট মীদিয়ানা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা মমাঙদা মহাক্কী ইরানগী লেংমান্নবা মোহম্মদ জভাদ জরিফতা টেলিফোনগী খুত্থাংদা চাদা অমতংগী থাজবা লৈরিফাওবা চাইনানা ক্রু কনবা অমসুং লৌখৎপগী থবক মখা তানা চাদা ১০০ কন্না পায়খৎকনি হায়খি।

নূঙ অনীমক তারে
মসিগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হিদাক শুপ্নতংগী নুমিৎ নীনি চাবদা নূঙ অনীমক তারক্লে। মসিগীদমক্তা পাবুং অমদি পাবুংগী ইচানুপা অনীমকপু পাউচেগী থোংদা য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

**Sd/- N. Shama**
Moirang Lamkhai
HL-P/4920/15

SERENE Estd 2011
BOARDING & TUTORIAL CLASS
Nagamapal Soram Leirak # 9089202944
ADMISSION OPEN
Class I to X (BOSEM & CBSE)
FOR Academic Session 2018
HOSTELLERS
DAY BOARDERS
TUTORIAL GROUPS
BOYS & GIRLS
Programmes :
Class IX & X Foundation Course,
Class X Maths by Sir Arun - DonBosco,
Class X Physics by Sir Ningthem Mani - DonBosco,
Class V-IX Maths Foundation Class (Morning).
Requirement : Manipuri Teacher, Teachers for Elementary Classes
Non-Teaching Staff : 1. Cook-1 2. Helper-2, 3. Receptionist-1
HL-P/4847/24Dec-24Jan.(Alt)

# পেরুগী মনাক্তা মেগনিট্যুদ ৭.৩ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

লিমা, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সি) :

পেরুগী মনাক্তা প্রিলিমিনরি মেগনিট্যুদ ৭.৩ য়ৌবা য়ুহা হাবা অমা থোকখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস জিওলোজিকেল সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়রি। খুদক্কী ওইনা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা থোকখিবগী পাউদি লৈত্রি।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা হায়রি মদুদি, য়ুহা হাবা অদু জন্যুৱারি ১৪ দা জি এম টি ৯.১৮ (আই এস টিদা নুমিদাং পুং ২.৪৮) তাবদা অকারিগী খা অমসুং খা-নোংচুপ অনীগী ময়াইরোমদা কিলোমিটর ৪২ লাপ্পা মফমদা কিলোমিটর ১২.১ লুথনা থোকখি। য়ুহা হাবা অদুগা মরী লৈননা সুনামি ৱার্নিং ইস্যু তৌখ্রবরা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

পেসিফিক সুনামি ৱার্নিং সেন্টরনা হায়খি মদুদি, কোষ্ট খরগী ওইনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা সুনামি ঈথক-ঈপোমশিং লাক্কনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌরি। সেন্টর অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, পেরুগী কোষ্ট খরদা টাইট লেভেলদগী সেন্টিমিটর ৩০ দগী মিটর অমা য়ৌনা ৱাংবা সুনামি ঈথক-ঈপোমশিং লাকপা য়াই। চিলিগী কোষ্টশিংদদি ৱেভশিংদু সেন্টিমিটর ৩০ দগী হন্থবা য়াই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

TUTORLINE STUDY CENTRE
Estd. 2009
KEISHAMPAT, SEGA ROAD near NAHAROLGI THOUDANG
ADMISSION OPEN
FOR
Foundation Courses of Class IX & X (BOSEM)
Class commencing from 18th Dec. 2017.
Class timing 10:00 a.m. to 2:00 p.m.
Seats are limited hurry
Van service and hostel facility available
Pliz contact : 9856574172/9774233498
HL-P/3069/18Dec.-18Jan..